# অটমা নিরভার ভারত: ইন্দিয়ানা লুপা ক্রোর ২৯,০০০ গী ঙাকশেলগী পোৎলমশিং লৈবগী অয়াবা পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৬ (এজেন্সী): ঙাকশেলগী পোৎলমশিং শাবগী সেক্তরদা মীপাল তাংদবা হায়বা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েংদা ইনোৎ হাপ্পা মরু ওইবা খোঙথাং অমদা ইন্দিয়ানা খুৎলায় য়াওবা দ্রোন স্বামস, কর্বাইনশিং অমসুং বুলেট-প্রুভ জেকেটশিং য়াওনা লুপা ক্রোর ২৮,৭৩২ গী ওইগদবা লৈবাক অসিদা দিজাইন তৌবা অমসুং শাবা ঙাকশেলগী পোৎলমশিং লৈনবগী অয়াবা পীখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা ফোঙদোকখ্রে।



হিরম অসিগী মতাংদা নোলেজ লৈবা মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা ওফিসলশিংনা হায়, ক্লোজ ক্বার্টর কর্বাইনশিং অদু চাইনাগা তাইনরিবা লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোল (এলএসি) য়াওনা ইন্দিয়াগী বোর্দর পরিংশিংদা দিপ্লোই তৌরিবা ফ্রন্ট লাইন লান্মীশিংনা শীজিন্নগনি।

এলএসিদা কুমজা ২০২০ গী মেদগী লৈবাক অনীগী লান্মীশিংগী মরক্তা উংখৎনবগী ফিভম অমা লৈরকখিবনি। ইন্দিয়াগী এপেক্স ৱেপন্স প্রোক্যুর্মেন্ট বোদি ওইরিবা দিফেন্স এক্বিজিসন কাউন্সিল (দিএসি) না দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা চ্যের লৌদুনা ফমখিবা মীফম অমদা কেপিটেল এক্বিজিসন প্রপোজেলশিংগী একসেপ্টেন্স ওফ নেসেসিটি (এওএন) গী অয়াবা পীখি।

ইন্দিয়াগী দিফেন্স প্রোক্যুর্মেন্ট রুলশিংগী মখাদা কাউন্সিল অসিগী এওএন অসি মিলিটরি হার্দৱেয়র লৈবগী মায়কৈদা থাংলকপা অহানবা খোঙথাংনি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, ওটোনোমস সর্ভিলেন্স অমসুং খুৎলায় য়াওবা দ্রোন স্বামশিং লৈবগী ৱাফম অসি মিলিটরি ওপরেসনদা দ্রোন টেক্নোলোজি অসি চঙদবা য়াদ্রবা অমা ওইরকপগা লোয়ননা মালেমগী মফম কয়াদা হন্দক্তা কনফ্লিক্ট কয়া থোক্লকখিবসি য়েংলগা হৌজিক মতমগী ৱার ফ্যেরদা আর্মিগী কেপেবিলিটি হেনগৎহন্নবগীদমক্তা অয়াবা পীখিবনি।

হৌখিবা চহীদা দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দিআরদিও) না মশিং য়াম্লবা দ্রোনশিং শীজিন্নরগা য়েক্লবগী টেরিটরিদা ওফেন্সিব মিশনশিং পাঙথোক্লবগী ইন্দিজিনস কেপেবিলিটি উৎখিবনি।

দিআরদিওনা দ্রোন কয়ামরুম্না ফোর্মেসনশিংদা মথৌ তৌদুনা টার্গেটশিং খঙদোকপা, মখোয়বু কোয়শিনবা অমদি মখোয়দা ষ্ট্রাইক তৌবা ঙম্মী হায়বসি উৎখি।

সর্ভিলেন্সকী থবক্তা লোয়ননা খুৎলায় পুবা ঙম্বা দ্রোন স্বামশিং অসি আর্মিনা দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিগা পার্টনরশিপ ওইদুনা পুথোক্লবা হোৎনরিবা মেক ইন ইন্দিয়াগী প্রোজেক্টশিংগী অনৌবা লিষ্ট অমদা য়াওরিবনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

দ্রোন মপৈ অমদা য়াওরিবা দ্রোনশিংনা টেঙ্কশিং, ইনফেন্টরি কম্বেট ভেহিকলশিং এম্যুনিসন থস্ফমশিং, ফ্যুএল দম্পশিং অমসুং টেরর লোঞ্চ পেদশিংদা ষ্ট্রাইক চৎথবা য়াওনা মখল মখা কয়াগী মিশনশিং পাঙথোকপা ঙম্মী। দিএসিনা বোর্দরদা কাউন্টর-টেররিজম অমদি হাইব্রিদ ৱার ফ্যেরগা লোয়ননা কনভেনস্নেল ৱার ফ্যেরদা শীজিন্ননবগীদমক্তা ক্লোজ-ক্বার্টর কর্বাইন্দ লাক্ষ ৪ লৈবগী ৱাফমসু এপ্রুভ তৌখি।

# ভোটরশিংদা ইথিল পীনবা কান্নবশিং লেম্না ফঙহল্লিবসি কন্ট্রোল তৌনবগী লম্বী পুথোক্নবা সেন্টরদা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৬ (এজেন্সী): ভোটরশিংদা ইথিল পীনবগীদমক পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পোৎচৈ কয়া অমদি কান্নবা কয়া লেম্না ফঙহনগনি হায়না থাজবা পীবগী ইস্যু অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়রদুনা ইস্যু অসিবু য়েংশিন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টদা খঙহনখ্রে।



চীফ জষ্টিস এনবি রমানানা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা সেন্টরদা ফাইনান্স কম্মিসনগী মায়কৈদগী ভোটরশিংবু ইথিল পীনবা মরম চাদনা পোৎচৈ অমদি কান্নবা কয়া লেম্না ফঙহনগনি হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিং অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা থাজবা পীরিবসি লাকশিন্নবগী লম্বী পুথোক্নবা হায়খি। মসিগী মমাঙদা বেঞ্চ অসিনা এদিস্নেল সোলিসিটর জেনরেল কেএম নট্রাসতা ইস্যু অসিগী মতাংদা লৈরিবা সেন্টরগী ফিরেপ খঙহল্লক্নবা হায়খি।

জষ্টিসশিং কৃষ্ণ মুরালি অমসুং হিমা কোহ্লিসু য়াওবা বেঞ্চ অদুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট রিপ্রজেন্ট তৌরিবা নট্রাসতা কান্নবা কয়া লেম্না ফঙহল্লিবা অসি মখা চৎথগদ্রা নত্ত্রগা লেপকদ্রা হায়বগী মতাংদা নহাক্না সেন্টরগী ফিরেপ খঙহল্লক্কদবনি হায়খি।

অমরোমদা, ইলেক্সন কম্মিসন রিপ্রজেন্ট তৌরিবা কাউন্সেলনা মহাক্কী সবমিসনদা মমাঙগী জজমেন্টশিংদা মেনিফেষ্টো অমা হায়বসি পোলিটিকেল পার্টি অমনা মীয়ামদা পীরিবা থাজবশিং অদুগী শরুক অমনি হায়বা লৈখ্রে হায়বসি খঙহনখি। মদুদা বেঞ্চ অসিনা পাউখুম পীরদুনা হায়খি, পোৎচৈ কয়া য়াওনা ভোটরশিংদা কান্নবশিং ফঙহনগনি হায়না থাজবা পীরিবসি ৱাইবরিনি। ইলেক্সন কম্মিসন্না অসিগুম্বা মীয়ামদা ৱানোম শেল পীদুনা মখোয়গী ফেবর ফঙনবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা হোৎনরিবশিং অসিবু য়াবা তারবদি কম্মিসন অসিগী পান্দম করিনো হায়বসি হংনিংঙাই ওই।

পনবা য়াবদি, চহীসিগী এপ্রিলদা ইসিনা সুপ্রিম কোর্টতা থমখিবা সবমিসন অমদা ভোটরশিংদা মীখল মমাঙদা নত্ত্রগা মতুংদা কান্নবশিং লেম্না ফঙহনবা হায়বসি পোলিটিকেল পার্টিগী পোলিসি দিসিজন অমনি অমসুং কম্মিসন্না ষ্টেট পোলিসিশিং অমদি পার্টিশিংগী ৱারেপশিং রিগুলেট তৌবা ঙমদে হায়খিবনি।


## টংল / DOCUMENT LOST

Registration Certificate bearing No. MMC-02199 issued by MMC has been lost in transit from Porompat to Lamphelpat, Imphal West on 20/6/2022. If found please contact : Nimi at Mobile No. 9402881402.

HL-P/3517/27

## T.M.D. BRICK FARM

Address: Opp. Khongjom Police Station
NH-39, Thoubal District, Manipur

| Sl. No. | Brick Class | Rate per 1 Brick |
|---|---|---|
| 1. | 1st Class | Rs. 15.00/- |
| 2. | 2nd Class | Rs. 14.00/- |
| 3. | 1st Reject | Rs. 13.00/- |
| 4. | Petti | Rs. 13.00/- |
| 5. | Jhamat | Rs. 10.00/- |
| 6. | 3rd Class | Rs. 8.50/- |
| 7. | Broken brick (Chektek) 1 (407 Truck) | Rs. 6000/- |

DELIVERY TRANSPORTATION CHARGES

| KM (Distance) | No. of Bricks | Rate |
|---|---|---|
| 30km | 2000 | 2800/- |
| 15km | 2000 | 2000/- |
| 10km | 2000 | 1500/- |
| 30km | 1500 | 2300/- |
| 15km | 1500 | 1700/- |
| 10km | 1500 | 1200/- |

Labour Charges:
2000 Brick, Rs. 800/-
1500 Brick Rs. 600/-

First Come First Serve

Contact No. 8119002731/7005658426

HL-P/3304/10,12,14,16,18,20,27,29,31 (July) 2,4,6,8,10,12 (Aug) Alt Days


# ওপোজিসনগী এমপি ১৯ চয়োল অপুন্বগী ওইনা রাজ্য সভাদগী সস্পেন্দ তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৬ (এজেন্সী): হাউসকী প্রোসিদিংসতা অকায়বা পীবগীদমক্তা টিএমসিগী এমপি ৭ অমদি দিএমকেগী এমপি ৬ য়াওনা ওপোজিসনগী এমপি ১৯ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লেমহৌরিবা চয়োল অপুন্বগী ওইনা রাজ্য সভাগী সিটিংদগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

পোৎচৈগী মমল হেনগৎলকপা অমসুং নুমিৎ খুদিংগী তঙাই ফদনা চঙলিবা মরু ওইবা পোৎলমশিংদা জিএসটি লৌবগা মরী লৈননা জুলাই ১৮ দা নোংজু মীফম হৌখিবদগী হাউসকী প্রোসিদিংসতা অয়েৎ অপন পীদুনা লাকখিবা ওপোজিসনগী এমপিশিং অদু দিপ্যুটি চিয়ারমেন হরবন্সনা মহাক্কী মমাঙদা লেপশিন্দুনা লাউ খোঙদুনা প্রোটেষ্ট তৌবগী মহুক্তা মখোয়গী সিটশিংদা হন্ননবা হঞ্জিন হঞ্জিন্না হায়জবদা য়ারক্তবদগী সস্পেন্সনগী ৱারেপ অদু লৌখিবনি।

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়র্স বি মুরালি ধরননা এমপি ১০ সস্পেন্দ তৌনবা মোসন অমা মুভ তৌখি। তৌইগুম্বসুং মদুবু ভোইস ভোটনা অয়াবা পীখিবা মতমদা হরবন্সনা লেমহৌরিবা চয়োল অপুন্বগী ওইনা সস্পেন্দ তৌখ্রবা মেম্বর ১৯ গী মিংশিং পাথোকখি।

# কোভিদনা মরম ওইদুনা সেন্সস ২০২১ অমসুং মরী লৈনবা ফিল্ড এক্তিভিটিশিং য়ৈথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৬ (এজেন্সী): কোভিদ ১৯ পেন্দামিক্না মরম ওইদুনা সেন্সস ২০২১ অমসুং মরী লৈনবা ফিল্ড এক্তিভিটিশিং য়ৈথোকখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।



বিহার, মহারাষ্ট্র অমসুং ওরিষা য়াওনা ষ্টেটশিংদা লাক্লিবা সেন্সসতা কাষ্টকী অকুপ্পশিং কলেক্সন তৌননবা খঙহনখ্রে হায়নসু গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট, হোম এফিয়র্স নিত্যনন্দ রাইনা হায়খি, মদুদি সেন্সস ২০২১ কন্দক্ট তৌনবা গভর্ণমেন্টনা লৌরক্লিবা ৱারেপ অদু কুমজা ২০১৯ গী মার্চ ২৮ দা গেজেট ওফ ইন্দিয়াদা ফোঙদুনা নোটিফাইদ তৌখি। তৌইগুম্বসুং কোভিদ ১৯ পেন্দামিক্না মরম ওইদুনা সেন্সস ২০২১ অমসুং মরী লৈনবা ফিল্ড এক্তিভিটিশিং য়ৈথোকখ্রে।

লাক্কদৌরিবা সেন্সস অসি অহানবা দিজিটেল সেন্সস ওইরগনি। সেন্সসকা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা এক্তিভিটিশিং মেনেজ তৌনবা অমদি মোনিটর তৌনবগীদমক্তা সেন্সস পোর্টেল অমগা লোয়ননা দাটা কলেক্সনগী মোবাইল এপশিং পুথোক্লে।

মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা হায়, সেন্সসতা কন্সটিট্যুসন (এসসি) ওর্দর, ১৯৫০ গী মতুং ইন্না কাষ্ট অমসুং ট্রাইবশিং অখন্নবা নোটিফাইদ তৌরি।


## URGENT JOB VACANCY

Govt. Regd. No. SSL/64/com Estd of 2016, Manipur

Job Vacancy at Imphal (First Come First Chance)

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Office Reception/ Front desk | Rs. 5000 - 20000 | 18 | X / XII / G |
| 2 | Helper (female) | Rs. 8000-10000 | 20 | NIL |
| 3 | VIP Driver / Company Driver | Rs. 8000-15000 | 15 | VIII / X / XII |
| 4 | Security Guard (M/F) | Rs. 7000-25000 | 25 | VIII/X/XII |
| 5 | Cook/ Chawkidar | Rs. 7000 - 20000 | 10 | VIII/X/XII |
| 6 | Gunman/ Armguard | Rs. 10000-20000 | 10 | VIII/X/XII |
| 7 | Delivery Service | Rs. 8000 | 5 | XII/ Graduate |
| 8 | Ex- Service Men | Rs. 8000- 15000 + EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 9 | Official Managerial Staff | Rs. 5000- 8000 | 20 | X / XII |

Vacancy at North East India (Male/Female)

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Security Guard (Pune) | Rs. 18000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | Ex-Servicefman (Assam) | Rs. 30000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 3 | Banking staff (26yrs) | Rs. 14000 above | 15 | Graduate |

Airport Job Vacancy For All India, 100% Job Placement

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Cabin Crew | Rs. 60K | 15 | XII/Grad |
| 2 | C.S.A. | Rs. 60K | 20 | Graduate |
| 3 | VIP Lounge Staff | Rs. 70K | 15 | XII/Grad |
| 4 | Asst. Staff | Rs. 40K | 20 | XII/Grad |
| 5 | Cargo Loader | Rs. 13-19K | 20 | X/XII/Grad |

Last Date of Submission : 04/08/2022
For More Information Please contact
Offcie Timing : 10:30 am to 3:00 pm
# 7641836503 / 8794793684
Salai Unemployment Service Centre
Sagolband Salam Leikai, Near Luxmi Kitchen, Jiri Parking
HL-P/3416/14,16,17,18,20,22,24,27,29,31

## Resonance®
Educating for better tomorrow

2 Year Foundation Course for Class XI- (NEET & JEE)
ENROLL TODAY
* 4 hours class daily
* Test series from Resonance Kota
* Classes from best faculties from Resonance Kota.
STUDY MATERIALS FROM RESONANCE KOTA RAJASTHAN
Admission through a Scholarship Test
91-100% score - Free Admission
81 - 90% score - 50% Concession
Office Hours - 10:00 am to 7:00 pm.
Nachom Edu Foundation
3rd Floor, L.K. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
For more details
9402979552 / 8794961535
HL-B/7717/ 3,6,9,12,15,18,21,24,27,30

## AFFILIATED TO COUNCIL OF HIGHER SECONDARY SCHOOL, MANIPUR
## ACI SCHOOL
A Co-educational Higher Secondary School
Kwakeithel Akham Leikai, Imphal

A school of Advanced Coaching Institute & Under the guidance of Human Resource Centre & Research Institute

ADMISSION OPEN
FOR
XI SCIENCE & XI ARTS

SPECIAL FACULTY MEMBERS
1. Physics – Dr. Devadattamani / Dr. Joyshankar/ Dr. Bidyakanta (IIT)
2. Chemistry - R.K. Bahadur / Manglembi NET (PhD)
3. Maths – Dr. Sanjit / Kiranmala (Gold medalist)
4. Zoology – Dr. Ranjita/ Kh. Seityabati
5. Botany – Dr. Bijen / Dr. Thajamanbi
Supported by special faculty members of ACI

FEATURES
1. For Position holders in the HSLC exam *Free ship + Book Grant + Scholarship*
2. Students who scores 85% & above *Admission free + Half tuition free + scholarship*
3. Students scores 80% and below 85% *Admission free+Scholarship+Book Grant*
4. Students scores 75% and below 80% *Half Admission free + Book Grant*
5. Students score 70% and below 75% *Half Admission*
6. Students score 60% and below 70% *Direct Admission*

World class standard classroom with Smart Class
Contact : 9862992105
www.advancecoachinginstitute.com

Direct admission - 45% and above under conditions
For few seats available

Form available: Office of Advanced Coaching Institute (offline)
HL-B/7754/ 19 to 28 July

## ADVANCED COACHING INSTITUTE
(HURRY! LIMITED SEAT)
THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN IMPHAL, MANIPUR

FOUNDATION COURSE FOR NEET /JEE
2YEARS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XI APPEARING STUDENTS
(SURE TARGET TO FIRST ATTEMPT) FREESHIP FOR POSITION HOLDERS IN HSLC
1YEAR FOUNDATION COURSE FOR XII APPEARING STUDENTS
ONCE U ARE ADMITTED WITH DETERMINATION WE WILL SUPPORT U UNTIL SELLECTION WITHOUT ANY FEE
SPECIAL CONCESSION FOR THOSE STUDENTS WHO R FINALCIAL POOR AND MERITORIOUS
7 MONTHS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XII PASSED STUDENTS
WORLD CLASS (A.C. ROOM) SMART CLASS WI. FI CAMPUS
1. SPECIAL SUNDAY TEST SERIES & MONTHLY MOCK TEST
2. STUDY MATERIALS BASED ON NCERT & PREVIOUS YEAR QUESTION AND ANSWER
3. Well Experienced faculties
4. separate boys & girls hostel
MEDICAL AND ENGINEERING CLASS WILL BE STARTED FROM 4th and 18TH August
For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website to www.advanceecoachinginstitute
LIMITED SEAT VAN SERVICE
BATCHES : 5 -9AM 6--9AM 12—3PM 4.30- 7.50pm
For Query : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH
HL-B/7754/ 19 to 28 July

## FREE COACHING FOR CLASS X COMPARTMENTAL
Orgd. By
Human Resource Centre & Research Institute
SURE STEP TO MAKE SUCCESS

BATCH
ENGLISH : 4.30 TO 5.30 A.M.
MATHS : 5.30 TO 7.00 A.M
SCIENCE : 7.00 TO 8.30 A.M.
SOCIAL SC. : 8.30 TO 10 A.M
MIL :10 TO 11.30 A.M

FREE FOODING AND LODGING FOR S.T /S.C & OBC STUDENTS UNDER CERTAIN CONDITIONS
FIRST COME FIRST SERVE
LIMITED SEATS
FEW SEATS REMAINING

HEAD OFFICE : NAGAMAPAL BRANCH & KWAKEITHEL BRANCH
CONTACT FOR DETAIL : 8787586090
HL-B/7754/ 19 to 28 July